# শীংনরকপা খুদিংমকসু পাড়া তন্বীখিবা ইনিংথৌনি, মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***মহাকথক্তা ঙা থোকউ থোকপা, শা থোকউ থোকপা ফান অমা লৈয়ে পীয়ো হায়বদা পীদদুনা মবাই অঙোম নিংথৌবু লান শোক্লহল্লুইএ। সেক্তা ঙমএ। লান্দি মথংলেন চকপা তাও, অকেমতাও অসিনচিংবা মী ৬ ফারকএ অমসুং হাওকুদা লোই থৌরুবদা লোইপোৎ পীদে হায়দুনা ময়াম্বা খমলাং পামশববু শোক্লহলএ। লান্দি হাওকুরাংগা সনথিনবগা ফারকএ। (চৈথারোল কুম্বাবা)***

মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা পাল্লিঙৈ কংলৈদা শীংনরকখিবা লোইপোৎ কাবা খুঙ্গংশিংবু কাউঙল্লরোইদবা পাড়া তন্বীখিবা ইনিংথৌনি হায়বদু উৎলিবা মতাংনি। কংলৈদা লোইপোৎ কাবা সেক্তা খুঙ্গংদা মতিক ময়াই লৈরবা ফান অমা লৈরম্মী। ফান অদু পীরক্লবা য়াথংবু সেক্তানা থৌওইখিদে। মদু মৈদিংঙুনা লেম্না তোকখিদে, মবাই অঙোম নিংথৌ হাওখে লান্থবনা লুচিংবা অকন-অথৌ লান্মীশিংনা সেক্তাদা লান্দাদুনা লানঙম ফীরাল থেৎখি। লানফা কয়াসু ফারকখি। লোইপোৎ পীরকউ য়াদবা হাওকু খুঙ্গংদসু লান্দাবগী থৌদা মনাওইবুংঙো খমলাং পামশাবদা শিন্নখি। হাওকু খুঙ্গং খুন্তাকহন্নবা য়াথং পীখি। লান ঙমদুনা লানফা কয়া পুরকখি। ইরৈবাক্কী পুৰারীদা অৰাংবা ফিদা অমা কল্লিবা কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনি। থৌনানা য়োল্লবা ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবা ইনিংথৌনি। লৈঙাক্লোনগী অনৌবা কাঙলোন শেন্বীরম্বগীদমক পুৰারীগী লাতমদা মৃৎনাইদ্রবা ময়েক মমি তাহৌরবা ***লোয়য়ুম্বা শিনয়েন*** লৈরি। মৈদিংঙু কাইনৌ ইরেংবা অমসুং মীতৈ লৈমা হাওরৈমা তমহৈবীগী মপারীনি। মীতৈলৈমা নোংবানলোন শুমলৈমগা পান্নদুনা কুমজা ১০৭৪দগী ১১২২ ফাওবা চহী নীফুনিপান চূপ্না কংলৈ লৈবাক ঙাকখিবা মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনি।

লৈহৌ মল্লোই খুন্দা লোইপোৎ থৌবা চৎখিবা মৈদিংঙু মদাইরেম লৈহৌ লম্বুবু পীজ-পীথকপগা লোয়ননা তরাম-তরাম ওকপগী মহুত্তা করেম কথাইনরকখি। মদুদা মৈদিংঙুনা শাওদুনা মশামক্লা লুচিংদুনা লান্দারুবদা লান ঙমদুনা লৈহৌ নিংথৌ ফারকখিবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবা অমসুং নিংথৌরোল লম্বুবদা ইরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা ৱারী মতেক অমা নিংথৌরোল লম্বুবদগী লৌখৎচগে। মৈদিংঙুনা মনাই লৈহৌ মল্লোই লম্বুবু লোইপোৎ লৌখৎলুনবগীদমক খুল অদুদা থারম্মী। নিংথৌগী থৌদা পাঙথোক্লবগীদমক লৈহৌ লম্বুদু লৈহৌ নিংথৌগী মনাক্তা থুংখিরম্মী। মতম অদুদা লৈহৌ নিংথৌনা কংলৈ নিংথৌ মনাইদা অসুম্না করেম কথাইনরম্মী...

"মৈদিংঙুগী মনাই লৈহৌ লম্বু-ও! নহাক্লা ঐগী ৱাংলবা চীং অসিদা কারকপদি চাক লাল্লরিনি। অদুবু চাক চফুসু শৌদ্রি। ইৱালদা পান খরা ফূৎপসু মুন্দ্রিবা মরম্না খাবৈনা ওৎপা য়াখিরোই। ৱাংলৈ য়ু অতীংবসু থক্লিংলমগনি অদুবু লূথূপ লৌথোক্তরি, লোক্কী ঈশিং ওইনা থক্লো। ফিগী লোইপোৎ পীগদবসু শাবা লোইশিন্দনা ইয়োংদা লৈরি, ককপা য়াখিরোই। উগী উকু খোল্লগা ফিজোল ওইরুরো। হূই পীগদবসু হূই মচা পোক্ত্রি। য়েন পীগদবসু য়েরূম কোক্ত্রি, ৱাবা কৌবা উচেক ওইনা পুখ্রো। লাইরেন মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বগী পাঙ্গন্দি মখোঙ তেকপা য়েন্নাউ অমদি ওকনাউ মচা তানবা ঙম্বখক্তনি। অদুগুম্বা মাগী পাঙ্গল মতাদুনা ঐখোয়গী ঙমখ্রবা অৰাংবা চীং অসিদা কারকপা ঙল্লোই।"

লৈহৌ নিংথৌনা কংলৈ নিংথৌবু উশিং থৌওইদবা মতৌ উৎলগা করেম কথাইনদুনা লানশীংনবগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ অদু মৈদিংঙুগী মফমদা লৈহৌ লম্বুনা পাউদম্লম্মী। মদাইরেম লৈহৌ লম্বুগী পাউ অদুনা মৈদিংঙুবু মৈ হৌনা শাউহনখি। খুদক্তা মহাক্লা অকন-অথৌ অঙম্বা পূম্নমক কৌখৎলগা ৱা খন্নদুনা মল্লোই খুন্দা লান তাশিন্নবা লানগী লাল্লোং য়াৎলম্মী। মৈদিংঙু মশামক্লা লৈহৌ মল্লোই খুন্দা লান চিংদুনা লান্দারুগনি হায়বগী মতাংদা অসুম্না লাউথোক্লম্মী-

"লাইরেন ঐসু মল্লোই খুনবু খুন্তাকহন্দ্রিবমখৈ লৈহৌবু কায়হন্দ্রিমখৈ কংলা কোনুংদা হল্লক্লোই।"

অসুম্না কংলৈ লান্মী ময়ামগা লোয়ননা মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা লৈহৌ মল্লোই খুল চীং ৱাংবদা কাদুনা লান্দারম্মী। খুল অদু নৈখায়দুনা মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা লৈহৌ নিংথৌবু মায়থীবা পীদুনা কোনুংদা হল্লক্লগা চাক খাঙদুনা হরাউ তয়াম্না থৌরম পাঙথোকখি। লান অসিগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবদসু ইরি- ***লৈহৌদা লোই থৌরুবদা চাক পীজরক্তে হায়দুনা মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা চত্তুনা শোক্লেএ। ঙমএ। লান্দি লৈহৌ নিংথৌ খোমরেংবা ফারকএ।***

মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা অমসুং কংলৈ নিংথৌ কয়াগী মতিক মথৌনা মরৌশিং মপাঙ্গল মতিং থোক্লা ফূদোক্তুনা ইরৈবাক্কী অপূনবা শক্তম লীশাং শীৎনা ঙাক্তুনা লাকখি হায়বসি পুৰারীনা লেঙদা খুদম ওইদুনা লৈরি। অদুবু লাইবক থীবদি কংলৈগী কোনুংদা অনৈবা ঈশিং চেনশিনবা হৌরকখ্রবরা, মৈদিংঙু পামহৈবগী পূন্সি য়াচঙলকপদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরকখ্রে। ফম্বাল্লানগী মহয়না কাং খোং চাইরবা কংলৈ ওইরকখিবনি। মতুং তারকপদসু ফম্বালতবু মিহৌবা নিংথৌ মচা খরা য়াওরকপদগী মীখূৎ চল্লবী ইমা লৈবাকসে চহী তরেৎ খুন্তাকখিবনি। অদুদগী মথং-মথং কবো তম্পাক খংমাঙ মাঙখিবনি। খ্বাইদগী শোকপনা বৃটিশ লোইলম মখাদা লৈখিবদুনি, অদুম্মক ইমাদি মীখা পোনবী ওইখ্রে। পূম্নমকসি লিংজেল মান্নদবা ঈ মশেল ফূগায়নবদগী ওইখিবা ঙাক্লি। মমাঙঙৈদা অমত্তা ওইবা লিংজেল থৌনানা ইমাগী মিংচৎপু নোংদোন খেৎনা পাইহনখিবা মপারী মমোমশিংদো ঙসি অমসুং হয়েংগী মীরোলনা কাউফম থোক্তে।) ●

# ভোটপু লেপ্নখিগদ্রনে

- নবকুমার ওইনা -

লানসিনা মতোক্ত্রবদি মথংদদি ভোটসি পাঙথোক্তবা য়ারি। কদায়দগী তোকপা য়ারুগদৌবনো, ভোট খৌরাংবা মী ময়াম লৈরিবনি। ঈরাংসি নেমথবগা চেঙ্গুম শৌবগুম শৌরকপা য়ারিবনি। মদুসু চুম্মীনে, কান্নবা মী ময়াম অমসু লৈরিবনিনে। কান্নবদি মরন্নায়গীদু নত্তে, অরাংফম য়াওদবা শোরাৎ তাগদৌরিবনি, অদুনবু নাও চাউনরিবনি। শোরাৎ শোনবসি চাউহল্লগা অরাংফম্না খরা মরাংদুম কায়না ফংবনি, তৌদবসু য়াদবনি। লৈবাক্কী শোরাৎকুম্বনি।

মদুদনি লৈবাক মুৎলিবসি, শেলগী হায়রবদি পোপী থাবসু য়াওরকইবনি। ভোটকা পোপীগা পুল্লকইবনি। ভোটসি পোপীনা লায়থোকহল্লিবনি। লৈঙাক্তা লুজরকপগী ৱাতনি। অদুসু মনুংদনা অমনি। শেল চানগুমসি হায়রবদি কনানা ভোট লেপ্পীগদৌরিবনো। শেল য়েন্দবা অমুক্তংদু হেক্তা মতৌ তম্নরগনি হায়বা লৈতে, শরূগী টি বিদৌনা গুলি চারগা হেক্তা ফগনি থাজদে। অদুনবু লানসি মরক-মরক্তা মচা-মচা খরা তৌবদি ফবজাৎনি, ভোটতা শেল য়েল্লক্ত্রিবসিনি, অফবা খোঙথাং অমনি। শেল পীরক্ত্রগা অফবনি হায়বসু য়াওনরক্লব্রা, ফজৈনে। কুইগদৌবদি মান্দে। মরমদি? চুম্না লায়রবা লমদম ওইবগী হায়বনিদা, ফবা-ফত্তবগী ৱাসু নত্তে।

শেল লৈরবসু ভোট লেপ্পা তনবা মীসু লৈগনি, না-শাবা থবক্লি, মিংচৎককা পামদে হায়বসু য়াওরিবনি। ৱারীগী ৱানি শেন্দোং লৈরোইদবা ওইরবদি তনবসু য়াওবা তাবনি। মীংচৎ পামদবসু লৈ হায়ববু মীদি ৱাত্তেনে, করিগী ওইগদৌরিবনো? লৈবাক শেন্বা য়াওবগীনি হায়নরি। তূমিন্না হায়বসু তাবা লৈ, কনানা য়াওদবা য়াদে, য়াওবীয়ু হায়বা য়াওরগে? লৈবাক নীংবদা চিন থীনবা য়াওরমদৌবদি মান্দে। শেল খায়বদি হেঞ্জিল্লম্বা ময়াম অমা তাখি। ভোটকী ৱা ঙাঙবদদি অসুক য়াম্না হেঞ্জিন্নরিবসিবু কৈদৌবা। মশাগী ইমুংগী ষণ-ইরোয় মাঙখিবা থিবদৌনা থৱায় য়াওবসু লৈরিবনি। লৈবাক শেন্বা হায়গদ্রা, লৈবাক মুন্নবা হায়গদ্রা, লৈবাক য়েন্নবা হায়গদ্রা হৌজিক তৌরিবা মওংসিদি হান্নবু অমুক্তা তৌখিদ্রি। ভোট লেপ্লগা কারক্লবশিংনা লম য়েন্নসি হায়রকপা য়াওখৎলক্লবনি। মালেমগী তৌনদ্রিবা অমনি। হায়বদি মালেমগী মীয়ামদা য়াওনদ্রিবা লৌশিং অমনি। অদুনবু ভোট লেপ্পসি হান্নদগীদি খরা হেঞ্জিন্না লুশিল্লকপা অমা ওইরকপগী লেপ্পীনবককা ৱাৎশিল্লক্কদ্রা খল্লুবগী ৱানি। থিগৎলগদি তৌরিবা মওং অসিদা ভোট লেপ্পসি তুক্কচবা মওং ওইনা খনবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। কোক্লা অমা, খূৎনা অমা ইশম-শম্নদবা ৱারী য়াওখৎলকইবনি।

য়াদবা হায়বা অমা লৈতবসি ভোট লেপ্পসিনি। ওজা ওইরম্বা, ঠিকা তৌরম্বা, থানা ওইরম্বা, পাউমী ওইরম্বা, লৌমী ওইরম্বা, লৈবাক্কী থবক তৌরম্বা পূম্নমক ভোট লেপ্পা য়ারিবনি। ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র ময়াম অমসু য়াওখ্রে, লৈঙাক্লা ইফদি ফগত্তবগুম ঙাঙনরিবসিবু চুল্লিব্রা? ফগৎফম থোকপদা ফগৎপা ঙমদবা অসিবুনি লৈবাক্তি ফগৎলকই হায়রিবসে। হোটেল ফল্লম্বদি য়াওরে, রিক্সো থৌরম্বদংগা য়াওরবদি পোৎলূমসি ইরায় লায়না পুবা ঙমগদৌবা। লৌ উরম্বদুদি ইঙাও ঙাওখি, ভোট কাদ্রকান্দদি গঞ্জাবু থক্কৎলকইবনি, লুপা মঙা-তরা নিবা য়াওখৎলকইবনি। গাড়ীগী অতোংমল পীবদা অচোয়বদু অনী-অহুল্লক থিরগা পীবসু উখ্রে। নুংশিদবা ঙম্বা নত্তে, শুংকা কাদনা শিখিবসু য়াওখ্রে। ময়ামদুগী কুঠি খোল্লুবগী ৱাসু নত্তে, অসুম উহৌবদুবু হায়বা। মদু তৌনবা ভোট লেপ্নবদি নত্তে, হন্দক্তি কাদ্রবা মতুংদা ময়ূমদা লৈনীংদবসু য়াওরকপা য়ারিবনি, য়ূম অনী শুবগী। মমাঙদদি ক্বার্টর থাদোকউ য়াদবা য়াওখ্রিবনি। মসিনা হান্না লেপ্নখ্রবশিংগী ৱানি। লেপ্নরকখিনি।

মথংগীদি ইয়ূম মৈ থাগে হায়রক্লদি য়ূমগী নুপী অঙাংনা য়াখিদ্রাও। শেল খরা-খরা চানরম্বদুসু অসুম-অসুম চপখৎনরকপগুম তৌশিল্লক্লি। ষ্টেট খরদদি জেল য়ৌনখিবা য়াওরে। অদুগী হায়রুরদি ঐখোয়গী মীয়ামদি ফখ্রবনি। খরা উ, খরা উশিন্নদা হায়বদুনি। নুমিৎ চূপ্পগী হূই-য়েনদৌনা চিক্লবগা-কাওনবগা তৌদুনা লৈবা য়াবা নত্তে। লান্দবা ঙম্বা য়াওবা হৌনদে হায়বসি ফজখ্রপোৎনি। চুম্বা ঙমদবসু য়াওবা য়ারিবনি। চায়োক-নাওয়োক ফংই কদায়, লাইরিক তম্মী কদায়। অফবশিংদুদি অসিৱাইদবু লৈনদ্রে, ভোট লেপকেসু হায়দ্রে, তন্নরবা মাল্লে। হোয়দা অফবা ময়াম লৈরিবসিদবু অমা অনী খায়দোকখিবা কৈদৌবনো। অদু চত্থরিবা অসিদবু করিগী মী ৱাৎলি হায়বনো, মীগী মী ঙাক্তনি। থেঙ্গু মচাদৌনা কোক্তু থাও তৈরগা তুংদা ইন্নবা ময়াম উনরিবনি। লৈবাক অদুদি লৈখিদবু য়াই, মীদি লৈহৌনি। মথংদা কারকপশিংদুনা ফজনা য়েন্নখ্রবদি লৈবাক্তুবুদি লৈখিদবসু য়ারিবনি। ঙম্বা-ঙমদবা, য়াবা-য়াদবা হায়বদুনা লাইবক্কী ৱানি। তৌবু তৌগে হায়রদি থিংবসু ঙল্লোইদৌরিবনি। অদুদনি ভোট লেপ্পসি লায়দে, লৈবাক য়োল্লগা চাবা ঙম্বা হায়রিবসে মসিদনি।

অদুগুম্বা অরুবা ৱা কান্নদে, দুর্গা পুজা লাৎপা, য়াওশঙ স্পোর্টস শিনবা য়াওবদগী হৈনখ্রবনি, ভোটসে লেপকে হায়না লেপ্নখ্রে। লৈকায়গী মেম্বর লেপ্পদা কাবদগী হৈনখিদুনা মথং-মথং লেপখৎলকপসু য়াওনরিবনি। কিরুবা য়াবা নত্তে, জবান্দদি ভোট লেপ্পু য়ানদে হায়নৈ, য়ু এস এগী হন্দক থোক হেক্তা তোকথোকপা য়াওরি। ঐখোয়সিদদি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইরসু লেপ্পে। কদায়দনো অমা হোনরি। ক্বালিফিকেসন অমা অরেপ্পা লৈনবসু নত্তে, লাইশঙগী থোং থাকপা, তূমিন-তূমিন ফম্বগী কারকপসু য়াওই হায়নরিবা অসিমঙায়। দেমোক্রেসি হায়রবদি ইন্দিয়া লৈবাক্কী অসিনা মচাউরে, মশাগী ষ্টেন্দর অমা লৈজরবনি, লাইগা ইতোৎ তোৎশিন্নরিবা অসিমক খায়দোকপা ঙমজদ্রিবনি। লৈঙাক্লা লাইদা ঙাওবসু য়াই।

'ফোর দি পিপল, বাই দি পিপল' হায়নরিবসি মীয়াম্নবু য়ারদি য়ারে। মীয়ামদুনা পঙলশু য়ারে। মীগী লৈবাক্তা তৌনৈ হায়বদগী ভোট কারম্বা মীশিংগী মীতম শারগা খিনবা তৌনরক্ত্রি। ত্রষ্ট শেম্নরগা মেমোরিএল লেকচর তৌনবসু য়াওরিবনি। শেংনা হায়রগদি লাই ওইনা লৌবদুম মাল্লকইবনি। থায়নগী হৈনবীদু থাদোকপা ঙম্নদবা । অসুম্না অসুম মখা চত্থবা তারবদি মোংফমগী সিমিত্রি ঙাক্তগী লৈবাক অমা মাল্লকপসু য়ারিবনি। অদুনবু কনা অমনদি লৈবাকসি কায়রকপা য়াই হায়রিবনি। ভোট তৌরগা খল্লিবা লৈঙাক শোয়রকপগী ওইরোই, মীওইবগী ৱাখল-লৌশিং ৱাংখৎলকপগী ওইদৌরি।

চুমগেরা-লানগেরা, চহী হুম্ফুতরামঙা হেন্না লৈঙাক লৈরক্লে। করম্বা মী মখল অমগী লৈবাক ওইবা ঙল্লবগে? ফরি হায়ববুদি মীৎকুপ খুদিং লাওবা তারি। পুকচেল পীকপনি হায়রবসু লমদম অসিগীসু খন্দবা ঙল্লোই। ৱাখল থোকপা য়াবা প্রোজেক্ট অমত্তবু য়াওদ্রি হায়নরি। মায়দু কদোমদা ওল্লিবগে হায়বদি মুন্না য়েংনবা হৌরক্লবনি। অথিংবা লৈবা নত্তে হায়বদুনসু লাই লাৎপদৌনা চাবা থকপগীতা খল্লগা তৌবা অদুমা থাদোক্লবা ফরে। শেলগী খল্লিঙৈদনি নিংথৌ পাল্লম্বা লৈবাক অমা মাঙহনখ্রবনি। হৌজিকসুনি ৱারেপ অমত্তা ময়েক শেংনা লৈবা উবা নত্তে। ৱাঙাঙদদি নিংথৌ মানবা ময়াম অমনি। ভোট লেপ্পদি লোইনমক লেপ্পা য়ারবসু লেপ্নরোই খল্লি। ৱাখল অদুদি ফজরে।

কনানা করি তৌরক্কদৌরি হায়বদি কনানসু খঙনদ্রি। ●

# রেবিজ (হায়দ্রোফোবিয়া, লৈসা, রেজ ওর মেদ দোগ)

- য়ূমলেম্বম লোইদাং -

রেবিজ অসি রেবিজ মহিক চেনবা শাশিংনা চিকপদগী থোকহনবা য়াম্না শিগনবা লায়না অমনি। রেবিজ চেনবা শাশিংনা চিকপদগী মীওইবদা শন্দোক্তুনা মীওই অদুবু শিহল্লি। রেবিজ অসি হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী লিরবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৌনরি। মসি মীওইবদা শন্দোকপা খ্বাইদগী শিগনবা লায়না অমা ওইরে। হৱাই, জপান, ওষ্ট্রেলিয়া, অন্টারকটিকা, গ্রেট বৃটেন অমসুং অতোপ্পা অপীকপা ঈথৎশিংদা লৈবা লৈবাক খরা নত্তনা মালেমগী লৈবাক পূম্বদা থেংনবা তমথীরবা লায়না মখল অমনি। ইন্দিয়াদা রেবিজ অসি ভদিক্ট মতমদগী চহী ৫০০ রোমগী মমাঙদা থেংনখ্রে হায়না পানরি। চহী অমদা অপূনবা মীশিংগী মীওই ৫০০০না শিহল্লি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা কুমজা ২০২৪গী জুলাইদা হূইদা রেবিজগী মহিক অসি চেনবা কেস মরি থেংনখ্রে। মণিপুরদসু কুমজা ২০২৪গী মার্চতা হূইনা চিকপদগী রেবিজ মহিক চঙখিদুনা মীওই মরি শিখি।

**Ethiology :-** **রেবিজ লায়না ওইরকপগী মরম** -

রেবিজ লায়না অসি Rhabdoviridae Family গী মনুংদা লৈবা Lyssavirus কৌবা আর এন এ ভাইরস অমখক্তনা থোকহনবনি। মসি Street virus (Naturally occuring cases) অমসুং Fixed virus (Lab strain used in Vaccine) গী শরুক্তা লৈবা লায়না মখল অমনি।

**Stability of the Virus :-** **ভাইরস অসিনা হিংদুনা লৈবগী মতম)**

ভাইরস অসি এনভাইরনমেন্টতা মতম শাংনা হিংদুনা লৈবা ঙমদে। ভাইরস অসি অয়াম্বা কম্মন ওইবা কেমিকেল সবষ্টেন্সশিংনা মাঙহনবা ঙম্মী। ভাইরস অসি হকচাংগী ৱাংমদা হায়বদি সলাইভাদা পুং খরতমক হিংবা ঙম্মী। ব্রেনগুম্বা হকচাংগী মফম খরদদি রেবিজ ভাইরস অসি নুমিৎ খরনি হিংবা ঙম্মী।


**Susceptible Host (Species affected) :-**

রেবিজ অসি তোঙান তোঙানবা শা মখলশিংদা চেনবগী চাং খেন্নে। রেবিজ ভাইরস অসি চেনবগী চাং অসি শাশিংগী চহীগী খেন্নবা লৈতে। হূই, হৌদোং, ঊচি, খৈরোই, কৈশাল, শেকপী, লমহূই, Skunk, Mangoose, শা-ষণ, হামেং অমদি য়াওনচিংবা শাশিংদা ভাইরস অসি চেনবগী চাং খেন্নদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লি।

শা-ষণশিংনা চিকপদসু মীওইবদা খুদোংথীবা থোকহল্লি। রেপটাইলস অমসুং উচেক্তদি রেবিজ ভাইরস অসি চেন্দে। রেবিজ অসি ইপিদর্মিওলোজিকেল টাইপ অনীদা লৈ। অহানবদা Urban type অমসুং অনীশুবদা Sylvatic type নি। অর্বান টাইপ অসি ময়ূম-মকৈ লৈতবা হূইশিংদগী শন্দোকই অমসুং Sylvatic type তনা লমলক্কী শা-ঙাশিংদগী শন্দোকই।

**Transmission** (অমদগী অমদা শন্দোকপা) :

রেবিজ ভাইরস অসি চেল্লবা শাশিংনা চিকপদগী মীওইবদা চঙলকই। ভাইরস অসি মহিক চেল্লবা শাশিংগী সলাইভাদা য়াওই। য়াম্না চাং হন্থনা ভাইরস অসি মহিক চেল্লবা সলাইভা কন্টেক্ট তৌবদগী লৌনৈ নৎত্রগা Neurological tissue নৎত্রগা Mucous




membrance নৎত্রগা উনশা তৎপা খোৎপা য়াবদা লৌনৈ।

ভাইরস অসি উনশা থেংনবদা লৌনদে। অয়াম্বনা ভাইরস অসি চিকপা মতমদতা লৌনৈ। চিকপনা খোৎপদগী শরুক য়াঙ্খ্রেগী মথক্তা খুদোংথীবা ওইহল্লি।

**Clinical Sign -**

First Sign অহানবা খুদম) - মহৌশাগী মচৎতা অহোংবা লাকপা, শাশিংনা চাবা থকপা লেপ্পলকপা।

In Dog (হূইদা থেংনবা) মওং -

2 forms are recognised (মওং অনীদা খঙবা ঙম্মী)

Furious form (Made dog syndrome) হূই অদু ঙাওরকপা।

শা অদু মশাদা হৈনীংবা পোল্লক্তবা অমসুং মঙোন্দা লান্দানীংবগী ৱাখল পোল্লকপা।

শাওনীংবগী মওং উৎলকপা, অরেংবা পোৎশক অমবু চিক্লিংবা অমদি খোৎনীংবগী ৱাখল পোল্লকপা নৎত্রগা পোৎশক অমদা

খদাং অদু শায়নীংবগী ইথিলগা লোয়ননা শায়বা অমদি কোঙ্গোল হেন্না থোকপা তিল তাবা।

ভাইরস অসি চেল্লবা শা অদু ৱাখল মাঙশিল্লকই অমসুং হান্নদগী খেন্নবা মওং উৎলকই। খৌনাও অমসুং মসলগী শরুকশিং পেরলাইসিস তৌরক্তুনা পোৎশক অমা শায়বগী মওংদা কা হেন্না তিন তারকই।

ভাইরস অসিনা মীওইবগী হকচাংদা চঙখ্রবদি মীওই অদু Fever, headache, malaise, sore throat, anorexia, nausea, hydrophobia, salivation, hallucination, confusion নচিংবা মওংশিং উৎলকই। অদুবু মীওই খরদদি শা-ঙানা চিকখিবা মফম অদু নাবা অমসুং হাক্কৎচবা ফাওরক্তুনা হাক্কৎচবা খাঙবা ঙল্লক্তে।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈদি :-**

রেবিজকী চপ চাবা লায়েং লৈত্রবসু লায়না অসিদগী ঙাকথোকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি হীদাক কাপথোকপনি। ভেটিরিনরিয়নশিং, শাশিং শেন্নবা মীওইশিংদি খুদোংথীবসি চাং ৱাংবনা মরম ওইদুনা প্রি-এক্সপোজর ভেক্সিনেসনগী তঙাইফদবা লৈ। প্রি-এক্সপোজর ভেক্সিনেসন অসি রেবিজ য়াওরমগনি চিংনবা শাশিংনা চিকপা অমদি খোৎপা মতমদা কাপথোক্লবা অয়াবা পী। রেবিজ য়াওরমগনি চিংনবা শাশিংনা চিক্লবা তুংদা হীদাক কাপথোকপা অসি য়াম্নমক মরু ওইবা অমনি। অহানবা হীদাক্লা শানা চিকপা নুমিৎ অদুমক্তদা কাপকদবনি। মদুগী মতুং নুমিৎ হুম্নি শুবদা, তরেৎনি শুবদা, ১৪নি শুবদা অমসুং নুমিৎ ২৮নি শুবদা রেবিজ হীদাক কাপথোক্কদবনি।

**রেবিজতগী ঙাকথোক্লবা অহানবা লায়েং :-**

শাশিংনা চিকখ্রবা মতুংদা অশোকপা মফম অদু মিনট ১৫দগী তাদনা সাপোন অমসুং ঈশিংনা শেংনা চামথোক্কদবনি। অশোকপা মফম অদু তরূ-তনানবা ফি অমনা য়েৎশিনগদবনি। অনকপদা লৈবা ইমর্জেন্সি দিপার্টমেন্ট অমদা চৎতুনা হীদাক কাপথোক্কদবনি।

ময়ূম লৈতবা শাশিং মরু ওইনা হূইনচিংবগী মশীং হেনগৎলকপা কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা শাশিংবু মতম চানা হীদাক কাপথোকপা অমদি মখোয়বু কাঙলোন চুম্না য়োকপী-থাকপীগদবনি। রেবিজগী মরমদা এৱ্যের্নেস পীদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৭

১) **"সাহিত্য অমসুং থিয়েটর"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **"শাবী লাউলাউ"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা অসি কনানো?

৩) "Behind A Curtain" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংলিসতা ত্রান্সলেসন তৌবনি। ত্রান্সলেসন তৌরিবা অইবা অসিগী মমিং করি কৌবগে?

৪) **'শকখঙদবী'** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৫) **"... মৈতৈগী নিংথৌরোন লম্বুবা, মোইরাং নিংথৌরোনগুম্না অচৌবা লাইরিক অমমক ওইদ্রবসু থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক অমনি।"** লাইরিক অসি করি লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।